# ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা ব্রু ভোটর ৫৬০০ ত্রিপুরাগী ভোটর লিষ্টতা পর্মনেন্ট ওইনা হাপচিনখ্রে



আইজোল, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সি): মিজোরাম থাদোক্তুনা চৎখ্রবা ব্রু ট্রাইবেল ৫৬০০ ত্রিপুরাগী ভোটর লিষ্টতা পর্মনেন্ট ওইনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না হাপচিনখিবগা লোয়নন্না নৌনা ইনরোল তৌখ্রবা ব্রু ট্রাইবেলশিং অসিদা মখোয়গী ফংফম থোকপা রাইটশিং চপ চানা ফংহন্নবা ষ্টেট গভর্নমেন্টতা খঙহনখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরকখিবদা হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী জানুৱারী থাদা য়ানখিবা অমগী মতুংইন্না ব্রু ট্রাইবেলশিং অদু ত্রিপুরাগী ভোটর লিষ্টতা পর্মনেন্ট ওইনা হাপচিনখিবনি। ঙসি ত্রিপুরাগী ভোটর লিষ্টতা পর্মনেন্ট ওইনা য়াওহনখ্রবা ব্রু ট্রাইবেলশিং অদুগী অশেংবা হৌরকফমদি মিজোরামদগীনি। হৌখিবা কুমজা ১৯৯৭ তা থোকখিবা লাইবক থিবা থৌদোক অমদগী মখোয় য়ুমথংনরিবা ষ্টেট ত্রিপুরাদা চঙজফম লৌদুনা লাকখিবনি। অদুবু চহী খরগী মমাংদা ত্রিপুরাদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা ব্রু ট্রাইবেলশিং মিজোরামদা অমুক হল্লক্নবা মিজোরাম গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী খঙহল্লকপদগী অয়াম্বনা অমুক মশাগী ষ্টেটতা হন্নরকখি। অদুবু ব্রু ট্রাইবেল খরদি খুদোংচাদবা খরনা মিজোরামদা হনবা ঙমহৌদবদগী ত্রিপুরাদা অদুম্মক শৈদাংদুনা লাকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা মিজোরাম ইলেক্সন দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুংইন্না, ত্রিপুরাদা অমুক হন্না রি-সেটল তৌবদা অয়াবা পীখ্রবা ব্রু ভোটর ১১,৭৫৯ (নুপী ভোটর ৫,৭৫১) গী মমিংদি হৌজিক হৌজিকসু মিজোরামগী ভোটর লিষ্টতা য়াওরি। অদুবু ব্রু ভোটর ১৯৫৪ গী মমিংদি মিজোরামগী ভোটর লিষ্টতগী ককথৎখ্রে হায়রি।

ত্রিপুরাদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না, ষ্টেট অসিদা ব্রু ভোটর ৩৫,০০০ রোম রি-সেটল তৌহন্নবা ত্রিপুরা গভর্নমেন্টনা থবক পায়খৎপা হৌখ্রে হায়রি। পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ১৯৯৭ তা মিজোরামদা থোকখিবা কাঙলূপকী ওইবা ঈরাং অমদগী ব্রু ট্রাইব কয়া য়ুমথংনরিবা ষ্টেটশিংদা চঙজফম লৌদুনা লাকখিবনি।




দিষ্ট্রিক্ট হেল্থ সোসাইটি নেসনল হেল্থ মিসন ইম্ফাল ৱেষ্টনা শীন্দুনা টেম্পল ওফ লার্নিং স্কুলদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড সুসাইদ প্রিভেন্সন দেগী থৌরমদা দাইস মেম্বর ওইখিবশিং

# ত্রিপুরাগী হান্নগী চীফ মিষ্টির বিপ্লব কুমার দেব রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌখ্রে



অগরটালা, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সি): ত্রিপুরাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেব ঙসি রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা লৈবাক অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট জগদিপ ধনকরনা ৱাশক লৌখিবগা লোয়নন্না মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়নন্না থবক তৌগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা ৱাশক লৌরবা মতুং ত্রিপুরাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব কুমার দেবনা ফোঙদোকখিবদা, অপ্পর হাউসতা ত্রিপুরা মীয়ামগী মহুৎ শিল্লগা অমদি মীয়ামগী খোল্লাউ ওইনা মহাক্না থবক তৌগনি। ত্রিপুরাদা মহাক্না ঙসি ফাওবদা মীয়ামগী থবক কয়া মায় পাক্না তৌবা ঙল্লক্লিবা অসি ষ্টেট অসিগী মীয়াম্না মহাকপু থাজবা অমদি নুংশিবীবনি। মীয়ামগী মতেং অমদি মিনুংশি য়াওদনা মহাক্না ঙসিগী ফিভম অসি য়ৌবা ঙল্লোই। মরম অদুনা মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়নন্না থবক তৌগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত শাহবু থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়নন্না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লীচিং মখাদা ত্রিপুরাদা থবক থৌরম কয়া মায় পাক্না পায়খৎপা ঙল্লক্লি। হান্না লৈরম্বা লৈঙাক্কী মতমদা মীয়ামগী ওইবা প্রোজেক্ট নৎত্রগা স্কিম অমত্তা মায় পাক্না পায়খৎপা ঙল্লমদে। মসিগীদমক মীয়াম্না বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিবু পুকচেল শেংনা থাগৎফম থোকই হায়রি।

পনবা য়াবদি থা অসিগী ২২ দা ত্রিপুরাগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর বিপ্লব দেব কুমার রাজ্য সভাগী এম পি ওইনা খনখিবনি। ষ্টেট অসিগী ওইনা বি জে পিগী রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইবসি বিপ্লব কুমার দেবনা অনীশুবনি হায়রি।

# সেন্টরনা পি এফ আই বেন তৌনবা ফিরেপ লৌখিবা অদুবু হিমন্ত বিস্বনা তরাম্না ওকখ্রে

গুৱাহাটি, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সি): সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়া (পি এফ আই) বু অথিংবা থম্নবা ফিরেপ লৌখিবা অদুবু অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা তরাম্না ওকখিবগা লোয়নন্না সেন্টরগী খোঙথাং অসি য়াম্না থাগৎনিঙাই ওই হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মনা ফোঙদোকখিবদা, সেন্টরনা পি এফ আই অমসুং মরী লৈনবা ওর্গনাইজেসনশিং চহী মঙাগী ওইনা অথিংবা থমখ্রে। মসি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি। সেন্টরনা পি এফ আই অথিংবা থম্নবা ফিরেপ লৌখিবা অসিনা মরম ওইরগা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক অসি য়াম্না ৱাখল খন্থবা অমদি মচেৎ তাবা পাম্বশিংবু পারা মতাং চানা তন্নীবা লৈঙাক্লি হায়বদু ময়েক শেংনা তাক্লি। অনলোফুল এক্টিভিটিস (প্রিভেন্সন) এক্টকী মখাদা সেন্টরনা পোপুলর ফ্রন্ট ওফ ইন্দিয়াবু ইল্লিগেল ওইবা ওর্গনাইজেসননি হায়না লাউথোকখিবগা লোয়নন্না অথিংবা থমখিবনি। লৈবাক অসিগী মফম পুম্নমদা চত্থখিবা থি হুম্বগী থবক্তা পি এফ আইগী মেম্বর ২৪০ হেন্না ফাগৎখ্রবা মতুং সেন্টরনা ফিরেপ অসি লৌরকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা সেন্টরনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, পি এফ আইনা ইল্লিগেল ওইবা থবকশিং চত্থবা অমদি টেরর ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নরগা থবক তৌবগীদমক অথিংবা অসি থমখিবনি হায়রি।

# নাগালেন্দদা ইন্টরনেট ফংদবা মফম অমত্তা লৈহল্লোই

দিমাপুর, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর স্কিল দিবলপমেন্ট এন্দ ওন্ত্রাপ্রেন্যুরশিপ, ইলেক্ট্রোনিক্স এন্দ টেক্নোলোজি রজিব চন্দ্রসেখরনা ঙসি নাগালেন্দদা ইন্টরনেট ফংদবা মফম অমত্তা লৈহল্লোই হায়না ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

নাগালেন্দদা ওফিসল ভিজিট তৌরকখিবা মিনিষ্টর অসিনা পাউমীশিংগী মমাংদা ৱা ঙাঙলদুনা মখা তানা হায়খিবদা, নাগালেন্দগী মফম খুদিংমক্তা বি এস এন এল অমদি প্রাইভেট কম্পনিশিংনা ইন্টরনেট ফংহন্নবা কন্না হোৎনরি। মতম খরগী মতুংদা নাগালেন্দদা ইন্টরনেট ফংদবা মফম অমত্তা লৈররোই। মসিনা মরম ওইরগা মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিং মরুওইনা নহাশিংনা চাওখৎপগী লমদা মাঙজিল থানা চঙশিনবা ঙম্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পীরগনি। মীয়াম্নসু ইন্টরনেটকী খুদোংচাবা অসি কান্নবরোমদা লৌনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

# চহীসিগী ওইনা ত্রিপুরাদগী নুপী ৩০০০ রোম মাঙখি

অগরটালা, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সি): চহী অসিগী ওইনা ঙসি ফাওবদা ফংবা রিপোর্টকী মতুংইন্না ত্রিপুরা ষ্টেটতগী পুন্না চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা নুপীমচা ২৬৩ য়াওনা পুন্না নুপী ২৯৬৮ মাঙখি হায়না ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সহানা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নন্না মাঙখিবশিং অদুগী মনুংদা নুপী ২৫২৪ দি রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, পুলিসনা রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রবশিং অদুগী মনুংদা চহী নৌরিবা অঙাং ২৪২ য়াওরি। হৌজিক থিবা ফংদনা লৈরিবা নুপীশিং অসি থিবগী থবক অকনবা মওংদা চত্থরি। ষ্টেট অসিদগী অরানবা মওংদা নুপীমচাশিং অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা পুনবা হোৎনবদা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চিংনবা মীওই ২৫৪ হৌজিক ফাওবগী ওইনা ফাগৎপা ঙমখ্রে হায়রি। পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্নদি নুপী অয়াম্বা মখোয়গা খঙনজবা নুপাশিংগা চেনখিবনি হায়রি।

# মেঘালয়াগী অপুনবা বজেটকী চাদা ১৫ হেন্না এদ্যুকেসনদা থাদরি : কোনরাদ সংমা

শিল্লোং, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সি): মেঘালয়া গভর্নমেন্টনা ষ্টেট অসিদা ক্বালিটি এদ্যুকেসনগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা থবক তৌরি অমদি মসিদা হেন্না খুদোংচাহন্নবগীদমক ষ্টেট বজেটকী অপুনবা শেনফমগী চাদা ১৫ হেন্না এদ্যুকেসন সেক্টরদা থাদদুনা থবক তৌরি হায়না মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা হিরম অসিগা মরী লৈননা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এদ্যুকেসন সেক্টরবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা হায়বসি গভর্নমেন্টকী পান্দম অমনি। মসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক কয়া পায়খৎলি। তোঙান তোঙানবা পাম্বৈশিং শিজিন্নদুনা এদ্যুকেসন সেক্টরবু চাওখৎহন্নবা হোৎনরি। এদ্যুকেসন পোলিসিগী মতাংদা, গভর্নমেন্ট স্কুলশিংগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ শাগৎপগী মতাংদা, মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না অনৌবা কোলেজশিং হাংদোকপা অমদি করিগুম্বা মতমদা প্রাইভেট স্কুল অমদি কোলেজশিংদা ফাওবা গভর্নমেন্টনা মতেং পাংবগী থবক চত্থরি।



মেঘালয়া ষ্টেট বজেটকী অপুনবা শেনফম লুপা ক্রোর ১৬,০০০ কী মনুংদা লুপা ক্রোর ২৫০০ চহী খুদিংগী ষ্টেট অসিগী ওইনা লৈরিবা স্কুল, কোলেজ অমদি অতোপ্পা শেমগৎ শাগৎপগী থবক থৌরমশিংদা শিজিন্নদুনা লাক্লি। মরম অদুনা স্কুল অমদি কোলেজশিংদা ওজা ওইরিবশিং য়াওনা মহৈরোয়শিংনা স্কুলগী প্রোপর্টিবু মশাগীনি খন্না শিজিন্নগদবনি। গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগীসু ষ্টেট অসিগী স্কুল অমসুং কোলেজশিংগী অৱাৎপা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং অথুবা মতমদা শেমজিন শাজিন্নবা কন্না হোৎনরি। ষ্টেট অসিগী মীয়াম্নসু গভর্নমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিদা মতেং পাঙশিল্লক্লবদি শোয়দনা মায় পাকপা ওইগনি হায়না চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ সংমানা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## CROSSWORD-3658



### ACROSS

1 Energy (3-2-3-2)
7 Announce (8)
8 Old (4)
9 Cease (4)
10 Endangered (2,5)
12 English county (11)
14 Competent (7)
16 False (4)
19 Room or space under roof (4)
20 Item of jewellery (8)
21 Sunrise (5,2,3)

### DOWN

1 Young women (5)
2 Rebuke (4,3)
3 Summit (4)
4 Insensibility (8)
5 Fruit of vine (5)
6 Bring back to life (6)
11 Asian country (3,5)
12 Public speaker (6)
13 Breathed in (7)
15 Stage-player (5)
17 Dirty (5)
18 Reflected sound (4)

**Solution 3657**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | H | A | N | D | I | C | A | P | | A | R | C |
| S | | V | | O | | A | | E | | M | | H |
| A | G | I | L | E | | B | O | N | D | A | G | E |
| V | | A | | | | L | | N | | Z | | A |
| O | U | T | F | A | C | E | | I | N | E | P | T |
| U | | O | | S | | D | | L | | | | |
| R | A | R | I | T | Y | | F | E | N | C | E | R |
| | | | | R | | W | | S | | U | | O |
| C | A | M | E | O | | R | O | S | T | R | U | M |
| H | | U | | N | | I | | | | T | | A |
| A | B | R | E | A | S | T | | Y | E | A | R | N |
| S | | A | | U | | E | | E | | I | | Y |
| E | L | L | | T | H | R | O | S | T | L | E | |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4058

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | | 7 | | | 1 | 8 | | 3 |
| | | | | | | 9 | 5 | |
| | | | | 5 | | | | 1 |
| | 7 | | 2 | | 4 | | | |
| | | 6 | | | | 3 | | |
| | | | 8 | | 3 | | 9 | |
| 2 | | | | 8 | | | | |
| | 3 | 9 | | | | | | |
| 1 | | 8 | 9 | | | 4 | | 7 |

### Solution-4057

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 6 | 3 | 9 | 8 | 5 | 7 | 2 | 4 |
| 4 | 9 | 2 | 6 | 7 | 3 | 1 | 8 | 5 |
| 5 | 8 | 7 | 2 | 1 | 4 | 9 | 3 | 6 |
| 8 | 4 | 1 | 5 | 2 | 7 | 6 | 9 | 3 |
| 3 | 2 | 9 | 4 | 6 | 8 | 5 | 7 | 1 |
| 6 | 7 | 5 | 1 | 3 | 9 | 2 | 4 | 8 |
| 7 | 5 | 6 | 8 | 4 | 2 | 3 | 1 | 9 |
| 2 | 1 | 4 | 3 | 9 | 6 | 8 | 5 | 7 |
| 9 | 3 | 8 | 7 | 5 | 1 | 4 | 6 | 2 |

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

## EMPLOYMENT NEWS

### GUWAHATI UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR TEACHING ASSOCIATE

Guwahati university Teaching Associate Recruitment 2022: Advertisement for the post of Teaching Associate in Guwahati university. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 14 October 2022. Candidates can check the latest Guwahati university Recruitment 2022 Teaching Associate Vacancy 2022 details and apply online at the www.gauhati.ac.in recruitment 2022 page.
Guwahati university Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.gauhati.ac.in. Guwahati university selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.gauhati.ac.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on the official website.
Vacancy Circular No:
Guwahati university
invites applications for recruitment of Teaching Associate
Teaching Associate
Job Location:
Guwahati, Kamrup, - Assam
Last Date: 14 October 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post
Guwahati university
Guwahati university Recruitment 2022 Details
Company Guwahati university
Job Role Teaching Associate
Education Requirement M.A
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Guwahati
Experience Fresher
Salary 23000(Per Month)
Posted on 23 Sep, 2022
Walkin Date 14 Oct, 2022
Educational Qualification: M.A. (English language Teaching) M.A. (English Language Education)
Experience: Please refer to official document
Skills / Eligibility
Pay Scale:
INR
23000(Per Month)
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Teaching Associate in Gauhati University.
How to Apply:
To know the Walkin procedure for Gauhati University Recruitment 2022 candidates can go to the official website and download the Gauhati University Recruitment 2022 Notification. Gauhati University will conduct the walkin interview for Teaching Associate vacancies on 14/10/2022.
Important Dates:
Published on: 27 September 2022
Last date for application is: 14 October 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### ASSAM AGRICULTURAL UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR RESEARCHER

Assam Agricultural University Researcher Recruitment 2022: Advertisement for the post of Researcher in Assam Agricultural University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 11 October 2022. Candidates can check the latest Assam Agricultural University Recruitment 2022 Researcher Vacancy 2022 details and apply online at the www.aau.ac.in/ recruitment 2022 page.
Assam Agricultural University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.aau.ac.in/. Assam Agricultural University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.aau.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Assam Agricultural University (AAU)
invites applications for recruitment of Researcher
Researcher
Job Location:
Assam Agricultural University, Jorhat, 785013 Assam
Last Date: 11 October 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Assam Agricultural University (AAU)
Assam Agricultural University (AAU) Recruitment 2022 Details
Company Assam Agricultural University
Job Role Researcher
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Jorhat
Experience Fresher
Salary 45000(Per Month)
Posted on 24 Sep, 2022
Walkin Date 11 Oct, 2022
Educational Qualification: M.Sc
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 45000(Per Month)
Age Limit: Minimum 21 years and maximum 45 years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Researcher in Assam Agricultural University.
How to Apply:
Candidates who wish to join in Assam Agricultural University can walkin for the interview on 11/10/2022. The complete walkin process for Assam Agricultural University Recruitment 2022 will be available on the official notification.
Important Dates:
Published on: 26 September 2022
Last date for application is: 11 October 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : মীত্রংগী মোইবুং

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম

